**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-09-2025)**

**পিএম(এল)ঃ** পুং খরগী খোঙচৎতা মনিপুরদা থুংলখিবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা শান্তিগী লম্বীদা চৎননবা অমসুং মখোয় মখোয়গী অঙাংশিংগী তুংগী পুন্সি লেপনবা আপিল তৌরি।

ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা হেক থুংলবগা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি চুরাচান্দপুর তমা গাড়িনা চৎখি। মফম অদুদা মহাকা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি। তুংদা, তুইবোংদা লৈবা পিছ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা মতম খরা অসিদা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা কাংবুশিংগা ৱারী শান্নদুনা য়ান্নবা পুরকখিবা অসি সরকার অসিনা অপেনবা পোকই। মহাকা হায়-ভারত সরকারনা মনিপুর মীয়ামগীদমক্তা মতম চুপ্পদা লেপ্তুনা লৈ।

শ্রী মোদিনা হায়-ঙসি মায়খুম হাংদোক্লিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা মরুওইনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং হকশেলগী লমদা মনিপুর মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা হেন্না ফগৎহল্লগনি। মনিপুর অসি থৌনা ফবশিংগী লমদমনি হায়রদুনা রাজ্য অসি লৈবাক অসিগী চাউখৎপগী মরুওইবা য়ুম্বী অমনি। মহাক্কী সরকারনা লমদম অসিগী লম্বী থোংগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবদা অহেনবা মীৎয়েং চংলি হায়রদুনা কেন্দ্র সরকারনা রেল অমসুং লম্বীগী বজেট হেনগৎহল্লে। মসিগী মথক্তা খুঙ্গংশিং লম্বী ফাওনহন্নবা হৌখিবা চহি কয়া অসিদা থবক কয়ামরুম পায়খৎলে।

শ্রী মোদিনা হায়-মহাক্কী সরকারনা মনিপুরবু চাউখৎ লম্বীরোমদা চংশিন্ননবা হোৎনরি।

চুরাচান্দপুরগী খোঙচৎ লোয়রবা তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইবা কংলাদা লাক্কুনা মফম অদুদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা

উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গাবগী লোয়নননা তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাংলদুনা হায়-মহাক্কী সরকারনা মনিপুর চাউখৎহনবদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মনিপুরগী গ্রোথ রেট শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলক্লি। শ্রী মোদিনা হায়-ইং ২০১৪ গী মমাংদা মনিপুরগী গ্রোথ রেট অসি শুপতগী চাদা অমখক ওইরম্মী।

মহাকা হায়-মনিপুরদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাউখৎহনবগী অনৌবা পন্দুপ অমা হৌরে। রাজ্য অসিদা লম্বী থোং অমসুং নেসনেল হায়ৱেশিং শেমগৎপগী থবক হেনগৎলক্লিবা অসিদা থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়নননা খুঙ্গংশিং য়ৌনা লম্বী ফাওননবা থবক য়াংশিল্লি। ইম্ফাল সহর অসি থবক খুদিংমক ওইথোকপা য়াবা সহর অমনি হায়রদুনা ইম্ফাল অসি ভারতকী সহরশিংগী মনুংদা চাউখৎপা সহরশিং ওইহন্দুনা নহাশিংগী মংলান ফগৎহন্দুনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ লম্বীদা খোঙজেল য়াংশিনবা ঙমগনি।

মহাকা হায়-সমার্ট সিটি মীসনগী মখাদা ইম্ফালদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া লোয়শিনখ্রে অমসুং লুপা কোতি কয়ামরুমগী থবকশিং পায়খৎলি। শ্রী মোদিনা হায়-ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি স্পিসিএল ইকোনোমিক জোননা স্তার্টঅপ অমসুং টেকোলোজিদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্দষ্ট্রিশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবদা হেন্না কানহল্লগনি। রাজ্য অসিগী মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং হন্থহন্নবা মহাক্কী সরকারনা হোৎনরি হায়রদুনা শ্রী মোদিনা হায়-মনিপুরগী মফম কয়া ঈশিং ঈচাওগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অসি থেংননবা সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি। মনিপুর অসি ইমা অমসুং ইচে-ইচনশিংনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়রদুনা ইমা কৈথেলশিং শঙ্গাবা অসিনা মসিগী লারবা খুদমনি।

শ্রী মোদিনা হায়-লমদম অসিদা পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌবদা অচৌবা শিংনবা অমা মায়োকরি হায়রদুনা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং মীচম মীয়ামদা মতম অমদা য়ৌবা ফংলমদে। অদুমওইনমক, হৌখিবা চহি খরা অসিদা

মহাক্কী সরকারনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবা ঙমলে। মহাক্কী সরকারনা জি.এস.টি. শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থহল্লে মসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা শরুক অনি থোকা কান্নবা পীরগনি। নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং শাপোন, শম্পু, কোক তৈনবা থাউ, ফি-রোল অমসুং খোংঙ্পকী পোৎলমশিং মীয়ামনা ইরাই লায়না লৈবা ঙম্লগনি। মসিগী মথক্তা য়ুম শাবা অমদি অতৈদা শিজিন্নবা বিলাতিমাতিগী মমলসু হন্থরে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরগী কালা সংস্কৃত্তি য়াওদনা ভারতকী কালা সংস্কৃত্তি কৈদৌনুংদসু মপুং ফাদে। মনিপুরগী শান্নরোইশিং য়াওদনা ভারতকী শান্ন-খোৎনবগী লম মপুং ফাবা কৈদৌনুংদসু ওইরোই। লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনবদা রাজ্য অসিগী নহাশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা থৌদাং লৌরি।

প্রধান মন্ত্রিগী ঙসি মনিপুর খোঙচৎ অসিবু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা য়েংহনখি।

**প্রোজেক্ট (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি মনিপুরদা লাক্তুনা লুপা কোতি লিশিং ৮,৫০০ রোমগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখি খরগীনা শঙ্গাখি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী মনিপুর খোঙচৎ মনুংদা ঙসি উরেপ উয়ুং তমখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা- মণিপুর অরবান রোডস দ্রেনেজ অমসুং এসেট মেনেজমেন্ট ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্ট, মণিপুর ইনফোতেক দিভলপমেন্ট (এম.আই.এন.দি) প্রোজেক্ট, তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা ৱার্কিং ৱিমেন হোষ্টেলশিং শানবা, পোলো গ্রাউন্দগী অকোইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা অমসুং নেসনেল হাইৱে-১০২-এগী সংসকতগী তেংনৌপল ফাওবগী পেকেজ ৱান অমসুং থ্রিগী পুন্না প্রোজেক্ট ১৪ নি।

ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরমদা শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা-নিউ দিল্লিগী দ্বারকাদা লৈবা মণিপুর ভবন, কোলকাতাগী সোল্ট লেকতা লৈবা

মণিপুর ভবন, ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সিভিল সেক্রেতরিয়েট অমসুং নিউ পুলিস হেদক্বাটর, তেংনৌপল, নোনে, পল্লেল অমদি মোইরাংদা শাবা ইমা মার্কেট মরি, নোনে জিলাগী ইম্ফাল-জিরিবাম নেসনেল হাইৱে-৩৯ গী ইরং তুরেলগী মথক্তা শাবা লেন মরি লৈবা থোং, কলেজ ফগৎহনশি মিসনগী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিংদা লৈবা গভর্নমেন্ট কলেজ মঙানি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** সি.এল.পি. লুচিংবা অমদি হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়রি-মতম কুইনদগী মনিপুরগী মীয়ামনা লমদম অসিদা লাকপীয়ু হায়জদুনা লাকপা অদু ঙসিদি থেংলবসু থেংনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি মনিপুরদা লাক্লম্লে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মনিপুরগী খোঙচৎকা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবীগী ক্বাটরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী ইবোবীনা হায়-য়ু.পি.এ. সরকার মতমদা পায়খৎলম্বা চাদা ৮০ রোম লোয়শিল্লবা প্রোজেক্ট কয়া অমা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা শঙ্গাবীরম্বা অসি য়ামা নুংঙাই। চহি অনি হেল্লবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পল্লমদবা অসিদি লাইবক থিবনি। চুরাচান্দপুর অমদি ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমশিংদা আই.দি.পিশিংগা প্রধান মন্ত্রিগা উন্নখি। আই.দি.পিশিংনসু মমিৎতগী মপি তাদুনা প্রধান মন্ত্রিদা মখোয়গী পুকিংগী ৱা ফোংদোকখি হায়বগী ৱাফমসু লৈরে। অদুবু আই.দি.পিশিংগী মতাংদা মহাকা ৱা ঙাংবদা অমত্তা পল্লমদবা লাইবক থিবনি।

পাউগী মীফম অদুদা লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজম, কংগ্রেসকী এম.এল.এ অমদি দলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) গী য়ুথ ৱিং, মনিপুর প্রদেস

য়ুথ কংগ্রেস কমিতি, য়ুনিভরসিতি অমসুং কলেজশিংদা তল্লিবা আহ.দি.পি. মহৈরোইশিংনা খোঙজং কয়া চংশিনখি। মখোয়বু মতম চানা পুলিসনা লাকশিনদুনা পামদবা থৌদোক থোকহনখিদে।

**মেমোরেন্দম(এল)ঃ** সোলসনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

সোসাইতি অসিগী প্রসিদেন্ট আর.কে. বিজালক্ষমী দেবীনা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মেমোরেন্দম অদুদা ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী হৌরকখিবা কাংলুপকী ইরাংনা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই ৩৪ গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মায়োকরিবা অৱাবশিং পল্লি।

মেমোরেন্দম অদুদা মখোয়দা পীফম থোকপা ক্ষেতিপুরোন, সরকারগী থবক নৎত্রগা আইনগী ওইবা তেংবাং ফংদ্রি হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি।

**চান্দেল (এল)ঃ** নেসনেল লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি অমসুং মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-চান্দেলনা শিনদুনা তেংনৌপল অমসুং চান্দেলদা নেসনেল লোক অধালট ফমখ্রে।

চান্দেল জিলাগী ওইনা বেঞ্চ নম্বর ৱান হায়দুনা সি.জে.এম. চান্দেল কমপ্লেক্সতা অদুগা তেংনৌপল জিলাগী ওইনা বেঞ্চ নম্বর টু হায়দুনা মোরে কোর্ট কমপ্লেক্সতা লোক অধালট ফমখি। ঙসিগী নেসনেল লোক অধালট অদুদা তোঙান তোঙানবা কেস ১১ ৱারোইশিন পুরক্কুনা লুপা লাখ মঙা লিশিং ৭৫ খোমগৎপা ঙমখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতি-চান্দেলগী সেক্রেটরি-ফুংরৈশুং পি.এনা ফোংদোরক্লি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী মফম কয়াদা ঙসি শিৎ শেংবা অমদি পোর্টহোলশিং মেনশিনবগী থবক পাঙথোকখ্রে।

মাও বেপটিস চরসেস এসোসিয়েসন য়ুথ দিপার্টমেন্টনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট দ্রাইভরস ৱেলফিয়ার য়ুনিয়ন অমসুং সরফেস ত্রান্সপোর্ট হিলস এরিয়া দ্রাইভরস ৱেলফিয়ার য়ুনিয়ন-মনিপুরনা পুন্না খুৎশমদুনা লম-তু শেংবগী থবক থৌরম অদু চথখিবনি। মাও বেপটিস চরচেস এসোসিয়েসনগী য়ুথ সেক্রেটরি-এ. নেরিনা হায়-এসোসিয়েসন অসিনা ইং ২০১৭ তগী হৌনা লম্বী পরিং অসিদা শিৎ শেংবা অমসুং শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থদুনা লাকখি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** রাইজিং এন্দ এসিলেরেটিং এম.এস.এম.ই. (রেম্প স্কিম) গী মখাদা তমেংলোংদা নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা কেপাসিতি বিল্ডিং ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

ইকো টুরিজমগী মতাংদা পাঙথোকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজননা রেম্পকী মখাদা পাঙথোকপনি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা নুপী তরেৎ য়াওনা মীওই ২৭ না শরুক য়াখি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিগী মরুওইবা পা দমদি, জিলা অসিদা ইকো টুরিজম হেনগৎহন্নবনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাদা মেদিকেল কেম্প, ফাষ্ট এদ ত্রেন্নিং অমসুং হকশেলগী লমদা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, মীয়ামদা ফাষ্ট এদকী লৌশিং-গ্যান হেন্না ফংহন্নবনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লেমা লায়েংগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**তর্পন (এল)ঃ** নোর্থ ইষ্টন ঠিয়েটর এসোসিয়েসন-হৈঙাংনা শিনদুনা কোন্থা অহল্লুপ মমাং লৈকাইদা লৈবা ইমোইনু কম্যুনিতি হোলদা লমদম অসিগী লীরবা আর্টফোমশিংগা তাইবং থাদোক্তুনা লাইরমলেন্দদা তিনখ্রবা আর্টিষ্টশিংগী মফমদা

লাংবন থাগী হৈসোই তম্বগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**মৈ(এল)ঃ** এলভেন কে.ভি. তেরা ফিদরনা কোনবা মফমশিং হয়েং অয়ুক পুং ১০ দগী পুং মরি ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়-আর.দি.এস.এসকী মখাদা সঙাইপ্রৌদা নৌনা ইলেক্ট্রিক্ট পোষ্ট য়ুংগদৌরিব অসিগী য়েংলগা তেরা, তাকয়েল খোঙবান, তেরা সয়াংগী মফমশিংদা লৈবা কঞ্জুমরশিং হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই।

**পিএম**ঃ নুমিৎ নিনিগী অসাম খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফালদগী গুৱাহাতিদা থুংখ্রে।

মহাকা গুৱাহাতিদা লৈরিঙৈদা শকাইরবা লৈখিদ্রবা শৈশকপা-ভুপেন হজারিকাগী মফমদা পীবা অখন্নবা থৌরম অমদা শরুক য়াখ্রে। হয়েং প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১৯ লোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্রা হুনগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফালদগী লোক প্রিয়া গোপিনাথ বোরদোলোয় ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা হেক থুংলবদা রাজ্যপাল-লক্ষমন প্রসাদ অচ্যারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্ম অমসুং মহাক্কী মন্ত্রি-মন্দলনা তরামা ওকখি।

হয়েং প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বেঙ্গোলদা চৎতুনা কোলকাতাদা ১৬ শুবা কম্বাইন্দ কম্মান্দরসকী মীফম হৌদোক্কনি। রাজ্য মঙাগী অরোইবা খোঙচৎ ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা বিহার চৎতুনা পুরনিয়া ইয়ারপোর্টকী নৌনা শাবা টার্মিনেল বিল্ডিং শঙ্গাগনি। শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ৬৬ লোমগী প্রোজেক্ট কয়া অমা শঙ্গাগনি অমসুং উরেপ উয়ুং তমগনি।

**মিজোরামঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা আইজোলদগী ইন্দিয়ান রেলৱেজগা

শমগদবা অহানবা রেল লাইন লমথাখি অমসুং লুপা কোতি লিশিং ৯ লোমগী প্রোজেক্ট হৌদোকখি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি উরেপ উয়ুং তন্বা অমসুং শঙ্গারিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা রেলৱেজ, লম্বী থোং, ইনর্জি অমসুং শান্ন খোৎনবগী য়াওরি। শ্রী মোদিনা মিজোরামগী কোনুং আইজোলগা ইন্দিয়ান রেলৱেজগা রেলৱেগী লম্বীশিংগা শমহনবা লুপা কোতি লিশিং ৮ চংনা পায়খৎপা অহানবা রেল লম্বী হৌদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-মিজোরামগী ওইনা ঙসি অসি য়ামা ঐতিহাসিক ওইবা নুমিৎ অমনি। বাইরাবি-সাইরাং রেলৱে লাইন অসিনা মিজোরামগী মীয়ামগী পুন্সিদা অওনবা অমা শোয়দনা পুরক্লগনি। মহাকা হায়-মিজোরামগী লৌমী অমদি করবারবালাশিংনা লৈবাক অসিগী কৈথেল খুদিংমক্তা য়ৌবা ঙম্লগনি। অসিগুম্বা চাউখৎ থৌরাং অসিনা রাজ্য অদুগী লম খুদিংমক্তা থবক পীবদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি।

ভারত অসি শেন্মীৎলোনগী লমদা মালেমগী ওহনা খ্বাইদগী চাউবা অমসুং খোঙজেল য়াংনা চাউখৎলক্লিবা লৈবাক অমনি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-অৱাং নোংপোক লমদম অসি লৈবাক অসিগী গ্রোথ ইঞ্জিন ওইরক্লি। এক্ট ইষ্ট পোলিসি অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইকোনোমিক কোরিদোরদা মিজোরামগী চাউরবা থৌদাং লৈ। হৌখিবা চহি ১১ অসিদা সরকার অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু চাউখৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। লমদম অসিদা লম্বী থোংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা হোৎনরি।

**ফুটবোলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) চান্দেলনা শিন্দুনা জিলা অসিগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চৎথরিবা দি.সি চান্দেল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চান্দেল খুলেন ৱাই.সিনা লামবুং ৱাই.সি.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা কাপম দি.সিগা খোংজোন ৱাই.সিগা শান্নখিবা মেটচ দ্রো চৎখি।

**ফুটবোলঃ** পান্থোইবী ইরাৎ থৌগল্লুপ লৌশাংখোঙনা শিনদুনা চথরকপা ভিলেজ ৱাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা তিনা এফ.সি. লৌশাংখোঙনা ইতম নুঙ্গোই জল্লিনাইল ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইরে। টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা লমলাইগী হান্নগী আই.এন.সি. মীরেপ-অচোইবম দেবেন, এল.দি.সি. লৌশাংখোংগী ঙাঙোম মোহিন্দ্রো, জেম পব্লিক স্কুল-পৌরাবীগী প্রিন্সিপালসু ওইরিবা নেসনেল এৱার্দি-ৱাহেংবম জনমেনজোয় মীতৈনচিংবা শরুক য়াখি।

**বেদমিন্টনঃ** বেদমিন্টনদা ভারতকী নুপাগী দবলসকী জৱা-সাদনিক সাইরাজ রানকিরেদি অমসুং চিরাখ সেধি হোং-কোং ওপনগী ফাইনেল চংখ্রে।

টোপ রেঙ্ক ওইরিবা ভারতকী জৱা অসিনা সেমি ফাইনেল মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী জৱাবু ২১-১৭, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীখি।

**এথলেটিক্স** ঃ২০ সুবা ৱার্ল্ড এথলেটিক চেম্পিয়নসিপ জপানগী কোনুং তোকিওদা ঙসিদগী হৌখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ১৮ ফাওবা চথগনি। নুপা ১৪ অমসুং নুপী ১৪ য়াওবা ভারতকী কন্টিঞ্জেন্টনা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট ১৫ দা শরুক য়ারি।